# বেঙ্কশিংদা নমথাক তৌরম্বগী মরালদা রোটোমেককী প্রমোটর বিক্রম কোথারিগী মায়োক্তা সী বি আইনা কেস ফাইল তৌখ্রে





ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৰারি ১৯ (এজেন্সি): পব্লিক সেক্টর বেঙ্কশিংগী কনসোর্টিয়ম অমদা লুপা ক্রোর ৩,৬৯৫ গী শেনফমগা মরী লৈননা নমথাক তৌরম্বগীদমক্তা রোটোমেক পেন্সকী প্রমোটর বিক্রম কোথারি অমসুং অতে খরগী মায়োক্তা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) না কেস অমা ফাইল তৌখ্রে। বিজনেসকীদমক্তা মহাক্না লৌখিবা লোনশিং শিংগৎপা ৰাৎপদগী ফিভম অসি লাকখিবনি হায়রি।

মমাঙদা মহাক্না শিঙ্গৎখিদবা লোনগী শেনফম অসি লুপা ক্রোর ৮০০ নি হায়না চাওরাক্না পাখি। তৌইগুম্বসুং সী বি আইনা ডোক্যুমেন্টশিং কুপ্না য়েংশিনবদা শিংদবা লোনগী শেনফম অদু লুপা ক্রোর ৮০০ দগী য়াম্না হেল্লম্বা থেংনখি। ঙরাং অথেংবদা এফ আই আর অমা রেজিষ্টর তৌরবা মতুংদা সী বি আইগী টিমশিংনা কানপুরগী মফম কয়াদা রেইদশিং চত্থখি অমসুং ঙসি কোথারি, মহাক্কী মচানুপা অমসুং মহাক্কী লোয়নবীদা ৰাহং পাউহং তৌখি।

রোটোমেকনা ইন্টরেষ্ট থাদনা লুপা ক্রোর ২,৯১৯ ফাওবগী বেঙ্ক লোনশিং শেরান-তুরান হায়জিল্লগা লৌথোক্তুনা বেঙ্ক তরেৎকী কনসোর্টিয়ম অমদা নমথাক তৌরে হায়না সী বি আইনা মরাল শীরি। টোপ ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সি অসিগী মতুং ইন্না থীফম থোকপা ইন্টরেষ্ট য়াওরগা রোটোমেকনা শিংগদবা অপূনবা শেনফম অসি লুপা ক্রোর ৩,৬৯৫ নি।

এফ আই আর কোপিদা পনবগী মতুং ইন্না বেঙ্কশিং অদুগী লোন এক্সপোজরদি বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী লুপা ক্রোর ৭৫৪.৭৭, বেঙ্ক ওফ বরোদাগী লুপা ক্রোর ৪৫৬.৬৩, ইন্দিয়ন ওভরসিজ বেঙ্ককী লুপা ক্রোর ৭৭১.০৭, যুনিয়ন বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী লুপা ক্রোর ৪৬৮.৯৫, এলাহাবাদ বেঙ্ককী লুপা ক্রোর ৩৩০.৬৮, বেঙ্ক ওফ মহারাষ্ট্রগী লুপা ক্রোর ৯৭.৪৭ নি হায়রি। কেস অসিগা মরী লৈননা হৌজিক ফাওবা মীফা-মীপুন অমত্তা য়াওদ্রি হায়না সী বি আইগী স্পোক্সমেন অভিশেক দায়লনা নাখে শেংনা ফোংদোকখি। দায়লনা মখা তারদুনা হায়খি মদুদি কোথারি, মহাক্কী লোয়নবী অমসুং মহাক্কী মচানুপাবু সী বি আইনা ৰাহং-পাউহং চত্থরি।

ইনফোর্সমেন্ট ডিরেক্টরেট (ঈ ডি) নসু লুপা ক্রোর ৩,৬৯৫ না বেঙ্ক লোনগী নমথাক্তুগা মরী লৈননা কোথারি অমসুং মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিংগী মথক্তা মনি লোন্দরিংগী কেস অমসু রেজিষ্টর তৌখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোংদোকখি। কেস অদু ঙরাং সী বি আইনা রেজিষ্টর তৌখিবা এফ আই আর অদুবু য়েংশিল্লবা মতুংদা প্রিভেন্সন ওফ মনি লোন্দরিং এক্ট (পি এম এল এ) কী মখাদা ফাইল তৌখিবনি।

# অঙাং রেপ তৌবা অমসুং হাৎপা আই টি প্রোফেস্নেল শিবগী চৈরাক পীখ্রে



চেন্নাই, ফেব্রুৰারি ১৯ (এজেন্সি): ঙসি টামিল নাদুগী কেপিটেল চেন্নাইগা নক্নবা চেঙালপেটতা লৈবা মহিলা কোর্ট অমনা চহী ২৩ গী লেঙ্গা ওইবা আই টি প্রোফেস্নেল অমবু হৌখিবা ২০১৭ কী ফেব্রুৰারিদা চহী তরেৎ শুবদা ঙাইহৌরিবী নুপীমচা অমা রেপ তৌবগা লোয়ননা হাৎখিবগীদমক্তা কনভিক্ট তৌখ্রে অমসুং শিবগী চৈরাক পীখ্রে।

এস দশৱান্ট কৌবা আই টি প্রোফেস্নেল অদু কুমজা ২০১৭ কী ডিসেম্বরদা মহাক্কী মমা হাৎখিবগী তোঙানবা কেস অমসু মায়োক্নরি। চহী অদুগী সেপ্টেম্বরদা জেলদগী বেলদা থোক্লকখিবা মতুংদা মহাক্না মমা হাৎপগী ক্রাইম অদু চত্থখিবনি হায়রি।

প্রোসিক্যুসনগী মতুং ইন্না, দশৱান্টনা নুপীমচা অদুবু হৌখিবা ২০১৭ কী ফেব্রুৰারী ৬ তা মোইথেম তৌদুনা মহাক্কী ফ্লেটতা পুশিনখি অমসুং রেপ তৌরবা মতুংদা হাৎখি। মহাক্না অশিবা হকচাংদু খাউজাও (বোরা) অমদা হাপচিল্লগা হায়ৰে অমদা মৈ থাখি। মহাক ভিক্টিম অদুগা মান্ননা চেন্নাইগী চিদাই ওইবা পোরুরগী মনাক্তা লৈবা মঙ্গাদুগী রেজিদেন্সিএল কমপ্লেক্স অমদা লৈরম্মী। মহাক্না হূইনাও অমা লৈরগা অঙাংশিংবু মহাক্কী ফ্লেটতা লাকহল্লম্মী হায়না পুলিসনা ফোংদোকখি।

মহাক রেপ অমসুং মী হাৎপগী মরালদা ফাখি তৌইগুম্বসুং টেক্নিকেলগী ওইবা ৰাফমদা হৌখিবা সেপ্টেম্বরদা বেল পীখি। কোর্টনা মঙোন্দা তোঙান তোঙানবা মরালশিংদা কনভিক্ট তৌদুনা চহী ৪৬ জেলদা লৈনবগী চৈরাক পীখি। মসিগী মনুংদগী চহী ৩১ দি মী ফাবা, মাইনর নুপীমচা অমবু রেপ তৌবা, ইভিদেন্স মাঙহনবা, হুরান-চিন্থি তৌবগীদমক্তনি। পোকসোগী মখাদা দশৱান্টতা চহী ১৫ জেলদা লৈবগী চৈরাক পীদুনা মহাক্কী শিবগী চৈরাক পাঙথোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা জেলদগী থোকপা হায়বসি ওইথোক্তবা ফিভম অমা ওইরি।

থা কয়া চুপ্পা ৰায়েল চত্থরকখিবা মতুংদা নহা অদুগী চৈরাক লাউথোক্লদুনা স্পেসল জজ পি ভেলুমুর্গাননা মহাক মঙক্তা থৌরি থুরগা য়াম্থদুনা হাৎকদবনি হায়খি। কোর্টতা লৈরিবা মীয়াম্না জজমেন্ট অদুবু থাগৎনখি।

হৌখিবা ডিসেম্বর ২ দা মহাক্না মহাক্কী মমা এস সরালাবু হাৎতুনা লিক-কোল কয়া হুদুনা চেন্নাইদা চেনখি। মহাকপু চেন্নাই পুলিসকী স্পেসল টিমনা ডিসেম্বর ৬ তা মুম্বাইদা ফাখি।

# ঈ সী আইদা অহেনবা মতিক-ময়াই পীবগী মতাংদা পাউখুম কৌখ্রে

*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৰারি ১৯ (এজেন্সি):*

*ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) দা অহেনবা মতিক-ময়াই পীনবগী মতাংদা থাঙ্গৎলকখিবা পীটিসন অমগা মরী লৈননা সেন্টর অমদি ইলেক্সন কম্মিসনদা মপূং ফাবা পাউখুম পীরক্নবা সুপ্রীম কোর্টনা খঙহনখ্রে। ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) গী লূচিংবা অমসু ওইরিবা এদভোকেট অশ্বিনি উপধ্যায়না থাঙ্গৎলকখিবা পীটিসন অমদা মীখল পাঙথোকপগী থৌদাং লৌরিবা ইলেক্সন কম্মিসনদা অহেনবা মতিক-ময়াই পীগদবনি হায়না তকশিল্লকখিবনি।*

*চীফ জষ্টিস দিপক মিশ্রা, জষ্টিস এ এম খনৱিলকর অমসুং জষ্টিস দি ৱাই চন্দ্রচুদকী বেঞ্চ অমনা হীরম অসিগী মতাংদা ৱায়েল চত্থনবা থৌরাং লৌখৎখিবগা লোয়ননা সেন্টর অমদি ইলেক্সন কম্মিসনগী পাউখুম কৌখি।*

*উপধ্যায়গী পীটিসন অদুদা ইলেক্সন কম্মিস্নর অহুম মফম লৌথোকপগী থৌওং হেন্না লায়থোকহনগদবনি হায়না তকশিল্লকখি।*

*অরানবা থৌওং চত্থরম্বা থেংনরবদি ইলেক্সন কম্মিসনগী মেম্বর অহুম অরাইবা মওংদা মফম লৌথোকপা ঙমহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়না পীটিসন অদুনা সুপ্রীম কোর্টতা ৱাকৎখি।*

*মমাঙদা কম্মিসননা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী রেজিষ্ট্রেসন ককপা ঙম্বগী মতিক-ময়াই পীবীয়ু হায়না সুপ্রীম কোর্টতা তকশিনবা লৈখ্রে। এপেক্স কোর্টতা ফাইল তৌখিবা পি আই এল অমদা ইলেক্সন কম্মিসননা হায়খি মদুদি ক্রাইমদা চেন্নবা মীওইশিং মীরেপ ওইবা য়াহন্দবগা লোয়ননা পোলিটিকেল পার্টি লীংখৎনবগী অয়াবা পীরোইদবনি। হৌজিকমক্কী ওইনদি ইলেক্সন কম্মিসননা মীখলগী কাংলোন ঙাক্না চৎতবা পোলিটিকেল পার্টি অমত্তগী মথক্তা থবক লৌখৎপা ঙমদবা মরম্না হীরম অসিগা মরী লৈনবা লো শেমদোক্তুনা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী রেজিষ্ট্রেসন ককপা ঙম্বগী রাইট পীগদবনি হায়না এপেক্স কোর্টতা ফাইল তৌখিবা পীটিসন অদুদা কম্মিসননা তকশিনখি।*

*ক্রাইমদা চেন্নবা মীওইশিং মীরেপ ওইবা য়াহন্দবগা লোয়ননা পোলিটিকেল পার্টি অমত্তগী ফম পায়বা য়াহল্লোইদবনি হায়নসু অশ্বিনি উপধ্যায়না ফাইল তৌখিবা পীটিসন অদুনা তকশিনখি।*

*অমরোমদা মমিং চৎলবী বৃটেনগী নুপী জ্যুরিষ্ট অমনা হায়খ্রে মদুদি চাউখৎলবা অমদি চাউখৎলক্লিবা লৈবাক অয়াম্বদা নুপীগী মায়োক্তা চত্থবা ক্রাইম মশিং হেনগৎলকপা মরম্না জুদিসিয়রিদা নুপীশিংবু মরুওইবা থৌদাং লৌহনবা মথৌ তারে। হ্যুমেন রাইটস লো, সিভিল লিবর্টি অমদি কনষ্টিট্যুসনগী মরমদা নীংথীনা খঙ-হৈরবী বেরোনেস হেলেনা কেনেদিনা হায়খি, নুপী কয়াবু উকিল অমদি জজ ওইহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদবনি।*

# প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী পোক্নফম বদনগরদা বি জে পিনা চাউনা মায় পাকপা ঙমখ্রে



অহমেদবাদ, ফেব্রুৰারি ১৯ (এজেন্সি): গুজরাটকী মেহসনা ডিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা বদনগর ম্যুনিসিপালিটিগী মীখলদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) না অপূনবা সীট ২৮ গী মনুংদা ২৭ ফংবা ঙমখ্রে। ষ্টেট অসিগী নগর পলিকা (ম্যুনিসিপালিটি) ৭৫, ডিষ্ট্রিক্ট পঞ্চায়ট ২, তালুক ১৭ অমসুং ভিলেজ পঞ্চায়ট ১৪০০ দা মীখল পাঙথোকখিগনি।

কুমজা ১৯৫০ গী সেপ্টেম্বর ১৭ তা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি পোকখিবা বদনগরগী ম্যুনিসিপালিটিদা পার্টি অসিনা অপূনবা সীট ২৮ গী মনুংদা ২৭ ফংবা ঙম্লে হায়না ওফিসল রিপোর্ট অমনা ফোংদোকখি।

কুমজা ২০১৭ কী ডিসেম্বরদা পাঙথোকখিবা গুজরাট এসেমব্লিগী মীখলদা মেহসনা ডিষ্ট্রিক্টকী উনঝা কনষ্টিটুয়েন্সিদা বি জে পি মায়থীবা ফংখিবনি। মীখল অদুদা কোংগ্রেসনা বি জে পিবু মায়থীবা পীখি। কোংগ্রেসকী মীরেপ অশা পতেলনা সিটিং এম এল এসু ওইরিবা বি জে পিগী মীরেপ নরায়ন পতেলদগী ভোট ১৯,০০০ হেন্দুনা মায় পাকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা বদনগরদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিশিংদা শরুক য়াদুনা মশা-মশাগী পার্টিবু মায় পাকহন্নবা অকনবা থৌরাং লৌখৎখি।

গুজরাটতা পাঙথোকখিবা সিভিক ইলেক্সনদা ভোট থাদবগী চাং খ্বাইদগী ৱাংখিবা মফমদি দাহোদনা ওইখি। মফম অদুদা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৭৬.৬৭ য়ৌখি। চাদা ৫০.১৭ কী চাংদা ভোট থাদখিবা রাজকোটনা খ্বাইদগী নেম্বা চাং ওইখি।

কুমজা ২০১৬ তা পাঙথোকখিবা লোকল ইলেক্সনদা অপূনবা সীট ১২৩ গী মনুংদা পূন্না সীট ১০৭ ফংদুনা মায় পাকখিবা বি জে পিনা হন্দক্কী মীখল অসিদসু অমুক হন্না মায় পাক্নবা পান্দম থল্লি। কোংগ্রেসনসু হন্দক্কী মীখল অসিদা শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়না থাজবা থল্লি।

মমাঙদা প্রাইম মিনিষ্টরনা বদনগরদা পাঙথোকখিবা মীখলগী মীফম অমদা হায়খিবনি মদুদি মমাঙদা পাল্লম্বা কোংগ্রেসনা লূচিংবা যু পি এ গভর্নমেন্টনা লৈবাক্কী হেল্থ সেক্টর মাঙ-তাকহল্লমখি।

চহী ১০ লৈঙাক চুপ্পি পায়রকপদা কোংগ্রেসনা মতিক চাবা হেল্থ পোলিসি অমত্তা শেম্লমদে হায়না মরাল শীরদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি মদুদি মমাঙগী লৈঙাক্না মেদিকেল কোলেজশিংদা সীট মশিং হেনগৎহন্নবগী মতাংদা মীৎয়েং চঙখিদে। চহী ১৫ গী মমাঙদা অতল বিহারি বাজপায়ীনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা লাউথোকখিবা হেল্থ পোলিসি অদুগী মতুং তারকপদা কোংগ্রেস লৈঙাক্না মতিক চাবা হকশেলগী থৌরাং অমত্তা লৌখৎপা লৈখিদে। মদুনা মরম ওইরগা মেদিকেল কোলেজশিংদা সীট মশিং হেনগৎহনখিদে হায়না মরাল শীখি।

# জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা ঙমখৈ লানশিল্লকখিবা টেররিষ্ট অমা হাৎখ্রে

জম্মু, ফেব্রুৰারি ১৯ (এজেন্সি): জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী পুঞ্চ ডিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা গুলপুর এরিয়াদা লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী) লানশিল্লকখিবা পাকিস্থানি টেররিষ্ট অমা ইন্দিয়ন আর্মিনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে।

ছোর্স অমা পল্লদুনা এজেন্সিগী পাউনা হায়, পাকিস্থানি লান্মীশিংনা ঙমখৈ ৱাংমদগী লেপ্পুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপগা লোয়ননা টেররিষ্ট অমা লোন্না ঙমখৈ লানশিল্লকখি। বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্সেস (বি এস এফ) কী পর্সনেলশিংনা ঙমখৈ লানশিল্লকখিবা টেররিষ্ট অদু খুদক্তা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবনি।

রিপোর্ট অমনা হায়খি, হৌখিবা অহিংদা পাকিস্থানগী লান্মীশিংনা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপশিল্লকখি। মতাং অদুদা মীওই মরি ইন্দিয়ারোমদা লোন্না ঙমখৈ লানশিল্লগা চঙশিল্লকপা থেংনবদগী বি এস এফনা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপশিনখি।

থৌদোক অদুদা মীওই অমা শিখি। অতোপ্পা মীওইশিং অদুদি অমম্বগী খুদোংচাবা লৌরগা নাম্থোক্তুনা চেনখ্রে হায়না বি এস এফকী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোংদোকখি।

হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতগী হৌরগা টেররিষ্টশিংনা ঙমখৈ লানশিন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপদা মায় পাকখিদবা হন্দক্না অনীরকশুবনি।

হৌজিক হৌজিক এল ও সী মনাক্তা টেররিষ্ট ৩০০ রোম ঙমখৈ লানশিন্নবা থৌরাং তৌদুনা লৈরি হায়না নোরদর্ন আর্মিগী কম্মান্দর লেফটনেন্ট জেনরেল দি অনবুনা হন্দক্তা ফোংদোকপা লৈখ্রবনি। টেররিষ্টশিংদা পাকিস্থানি আর্মিনা হকথেংননা মতেং পাংই হায়না মরাল শীরদুনা আর্মি কম্মান্দর অদুনা হায়খি, নীংথীনা ট্রেনিং তৌরবা টেররিষ্ট অহুমলোম ইন্দিয়ালোমদা চঙলক্নবা থৌরাং তৌদুনা লৈরে হায়বগী পাউ ফংবা ঙল্লে।

অয়াম্বা মতমদা পাকিস্থানগী লান্মীশিংনা সীজফায়র থুগায়দুনা নোংমৈ কাপশিল্লক্নবা মতুংদা টেররিষ্ট কয়া ঙমখৈ লানশিন্দুনা চঙলকপগী থৌওং চত্থদুনা লাকখি। ঙমখৈ ঙাকপগী থৌদাং লৌরিবা বি এস এফ অমসুং ইন্দিয়ন আর্মিগী অপূনবা টিম অমনা হন্দক্তা ঙমখৈ মনাক্তা থিব-হুম্বগী থবক চত্থবদা ডিস্পোজেবল রোকেট লোঞ্চর, রোকেট প্রোপেল গ্রেনেদ, আর পি জি গ্রেনেদ অহুম, আই কে ও এম রেদিও সেট অনী, এ কে রাইফলসকী মেগজিন অমা, মোলোটোপ কোকটেল অনী, যু বি জি এল গ্রেনেদ মরি, হেন্দ গ্রেনেদ তরেৎ, পি আই কে এ বেল্ট অমা, মোবাইল ফোন অমা, বেকপেক অহুম, পাকিস্থানগী ফিরাল অমা অমসুং অতৈ পোৎলম কয়ামরুম ফংবা লৈখ্রবনি। ঙমখৈ মনাক্তগী ফংলিবা পোৎলমশিং অদু পাকিস্থান অমসুং চাইনাদা শাবা পোৎলম কয়ামরুম য়াওরম্বা থেংনখি।

হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতসু টেররিষ্টশিংনা ঙমখৈ লানশিন্নবা হোৎনরকখিবা থৌরাং অমা ইন্দিয়ন আর্মিনা মায় পাকপা ঙমহনখিদ্রবনি। মিলিটরিগী ছোর্স অমনা হায়খি, পুঞ্চ ডিষ্ট্রিক্টকী বালাকোট এরিয়াদা এল ও সী মনাক নক্না চিংনিংঙাই ওইবা মওংদা মীওই খরা চঙলকপা থেংনবদগী আর্মিনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা মীওইশিং অদু তানখায়খিবনি।

# উত্তর প্রদেশ, বিহারগী মরক্কী মীখলদা মীরেপ ওইগদবা মীওইশিংগী মীংশিং লাউথোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৰারি ১৯ (এজেন্সি): লাক্লিবা মার্চ ১১ দা পাঙথোক্কদৌরিবা উত্তর প্রদেশকী গোরখপুর অমসুং ফুলমুর লোক সভা সীটশিং অমসুং বিহারগী অরাইরা লোক সভা সীটকী মরক্কী মীখলশিংগীদমক্তা বি জে পিনা ঙসি কেন্দিদেটশিং লাউথোকখ্রে। পার্টি অসিনা ভরানসিগী হান্নগী মেয়র কৌশলেন্দ্র সিংহ পটেলবু ফুলপুরগী কেন্দিদেট ওইনা অমসুং উপেন্দ্র সুক্লাবুনা গোরখপুরগী কেন্দিদেট ওইনা লাউথোকখি।

ভারতিয়া জনতা পার্টিনা হান্নগী পার্লিয়ামেন্টরিয়ন প্রদিপ কুমার সিংহবু অরারিয়া সীটকী মরক্কী মীখলগী কেন্দিদেট ওইনা লাউথোকখি।

রাষ্ট্রিয়া জনতা দল (আর জে দি) না সীট অদুগীদমক্তা লৈখিদ্রবা হান্নগী এম পি মোহম্মদ টাসলিমুদ্দিনগী মচানুপা থাদোকখি। উত্তর প্রদেশকী সীট অনীদুগীদমক্তা সমাজৱাদি পার্টি অমসুং কোংগ্রেসনসু মখোয়গী কেন্দিদেটশিং হান্না লাউথোকখ্রবনি।

পীছ পার্টি অমসুং নিশদ পার্টিগা মীচং চুংশিন্নদুনা গোরখপুরগী মরক্কী মীখলদা কন্টেষ্ট তৌরিবা সমাজৱাদি পার্টিনা প্রবিন কুমার নিশদপু মখোয়গী কেন্দিদেট ওইনা লাউথোকখি। মহাক নিশদ পার্টিগী চীফ শঞ্জয় নিশদকী মচানুপানি।

ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE

**K. MOLNOM VILLAGE**

Date 19/02/2018

In pursuance of Resolution No. 2 of the meeting of the Partners of M/S Hemkhopao Agency, Regd. No. 33 (Thirty three) of 2009-10 date 29/10/2009. The following Partners of firm are retired w.e.f. 19/02/2018.

1. Hemkhopao
2. Paotinlen
3. Hatneikim

In this connection objection (If any) are invited for interested Parties within 15 (Fifteen) days for the date of publication of this Notice. If no objection is received withithin the stipulated time, it will be presumed that there is no objection from any quarter.

*Sd/-* **Letlunthang Haokip**
C/o M/S Hemkhopao Agency

*HL-P/3219/20*

**মিনিষ্ট্রি ওফ সোসল জষ্টিস এন্দ ইম্পৱারমেন্ট**

চহী ২০১৭-১৮ দা খনগদবা নেসনল ওভরসিজ স্কোলরসিপ থারক্নবা এপ্লিকেসনশিং কৌরদুনা তারিখ ২৭.৪.২০১৭ তা মরুওইবা পাউচেশিংদা অমসুং ২০১৭ কী জুলাই ২২-২৮ দা ইমপ্লোইমেন্ট ন্যুজদা ফোংখিবা এদভর্টিজমেন্টশিংগা মরী লৈনবশিংগী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি। স্কীম অসিগী মখাদা পীগদবা চহীগী স্কোলরসিপ মশিং ১০০ নি। চহী ২০১৭-১৮ গী ওইনা পূন্না স্কোলরসিপ স্লোট ১৮৩ লৈখিবদুদা ২০১৬-১৭ তগী পুরকখিবা স্লোট ৮৩ সু য়াওরি। হৌজিক মেনশিনদ্রিবা স্লোটশিংসিগীদমক্তা এপ্লিকেসনশিং কৌজরি। স্কোলরসিপ অসিদা এঞ্জিনিয়রিং এন্দ মেনেজমেন্ট, প্যুর এন্দ এপ্লাইদ সাইন্স, এগ্রিকলচর সাইন্স এন্দ মেদিসিন, ইন্টরনেসনল কম্মর্স, একাউন্টিং, ফাইনান্স এন্দ হ্যুমেনিটিজ, সোসল সাইন্স অমসুং ফাইন আর্টসকী লমশিংগী মখাদা ফীনচিংবগী মমলসু য়াওরে। স্কোলরসিপশিং অসি ওথোরাইজ বোদিনা এক্রিদিটেসন পীবা মপানগী য়ুনিভর্সিটি/ইনষ্টিট্যুসনগী মখাদা মপানদা মাষ্টর্স অমসুং পি ঐচ দি লেভেলদা অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্নবগীদমক্তনি। কেন্দিদেট অদু ২০১৭ কী এপ্রিল ১ দা চহী ৩৫ গী মখা ওইগদবনি। মাষ্টর্স/বাচেলর্স থাক্কী খ্বাইদগী নেম্বা মার্ক ৫৫% নৎত্রগা মান্নবা গ্রেদনি অমসুং ইমুংগী অপূনবা ইনকমনা চহীদা লুপা লাখ ৬.০০ তগী হেন্দবা ওইগদবনি। কেন্দিদেটশিংনা স্কীম অসিগী কন্দিসনশিংগী মতুং ইন্না কেন্দিদেটশিংনা মখোয়গী ইলিজিবিলিটি অমসুং চুনবগী মওং য়েংশিল্লবা মতুংদা ইমপ্লোইমেন্ট ন্যুজ/রোজগার সামাচারদা ফোঙখিবা এদভর্টিজমেন্টতা য়াওবা প্রিসক্রাইব এপ্লিকেসন ফোর্মদা মিনিষ্ট্রি অসিদা (থবক তৌবা কেন্দিদেটশিংনা চানবা চেন্নেলগী খুত্থাংদা) এপ্লাই তৌগদবনি। খনগদবা চহী ২০১৭-১৮ গী ওইনা মার্চ ৩১, ২০১৮ ফাওবদা লৌশিনবা এপ্লিকেসনশিং এৱার্দ পীনবা/এৱার্দকী থাজবা পীনবগীদমক মতম মতমগী ওইনা খন্নগনি।

স্কীমগী অকুপ্পশিং অমসুং এপ্লিকেসনগী ফোর্মেটকীদমক ইমপ্লোইমেন্ট ন্যুজগী এদভর্টিজমেন্টতা য়েংবীয়ু নৎত্রগা মিনিষ্ট্রি অসিগী ৱেবসাইট **www.socialjustice.nic.in** দা ভিজিট তৌবীয়ু।

*davp 38101/11/0079/1718*

ꯊꯥꯒꯠꯄ/অমাংথোঙগী মনাক্তা পোমথোরকপা, অমাংথোঙদা খুজিল্লগা খোঙ হাম্বদা য়াম্না নাবা, খোঙ হাম্বা লোইরগা অমাংথোঙদা য়াম্না শাবা অমদি চিকপা নাবা ফহনবগী ওজা এম ভি অজাদ ফুসমবু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙগী মনাক্তা পোমথোরকপা, অমাংথোঙদা খুজিল্লগা খোঙ হাম্বদা য়াম্না নাবা, খোঙ হাম্বা লোইরগা য়াম্না শাবা অমদি চিকপা নাবা, থবাক নাবা, ঙকশম মরী চিকপা নাবা, খ্বাঙ নাবা, য়াংলেন শরুদা চিকপা নাবা, পুক্তা গ্যেষ্ট্রিক কারগা চাবা থকপা য়াদবা, য়ারোমদা তোয়না তোয়না খেগৎলকপা, চাবা তুমদবা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, ঈ তাখিবা অদুনা মরম ওইরগা হকচাং নোংম-নোংমগী শোকচিল্লকপা, তাং-তাং চিকপা নাবা, অহিং তুম্বা য়াদবা তৌরম্বা অদু **MV AZAD PHUSAM** ☎ 7628890261, 8014025567 দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু থাগৎচরি।

*ওজাগী লায়েংফমশিংদি :*

1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal (7 am to 5 pm. 2. Yairipok Tulihal Lai Manai Shanta Bazar (6 am to ?) 3. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (Sat, Sun, Mon. open).

*থাগৎচরিবা :* **L. Suvas**
*Porompat*

*HL-P/510/20*

**/ওজাশিংগী লকতগী**

মীং ওইনা পঞ্জরবদা ওজা চুঙখাম সরতচন্দ্র, মীয়াম্না ঈনাকখুনবা হায়নসু খঙনৈ। ওজাশিংগী লকতগী হায়রবদা লোইঙল্লরোই। ওজাগী অহানবা হৌরকপা ওজা ওইরকপগী ৱারী তাজবদা, ওজানা মতম খরা নবোদয়াদা ওজা ওইনা লৈবীরম্মী। থবক্তগী পোত্থাজরবা মতুং লৈকাইগী মহৈরোয় কয়াদা শেল লৌদনা নবোদয়া চঙনবগী পারা, লন্থী তাকপীরকপা, লমজিংবিবা হৌরকখি। ওজাগী তাকচরুবগী মহৈ মহৈরোয়শিংনা চাংয়েং মায় পাক্লকপনা ওইরকখি। ঙসিদি নীংহন্নবা লৈতনা ইচাশিংগীদমক্তনি খল্লগা ওজা কয়াগা লোয়ননা মহৈগী লমদা মহৈরোয় কয়াবু মখুৎ পায়দুনা চিংখৎপীহৌরি। তৌইগুম্বসুং ওজাগী মীয়াম্না খঙনবা মীংদা চাংদম্নরবদা ঈনাকখুনবা, ওজাগী ৱাখল্লোন ইনাক কৈরাক খুল্লি। লৌশিংগী পাম্বৈ কয়া কয়া অনৌবা মহৈগী লমদা পুথোকই। ওজা সরতচন্দ্র (Moon in Autumn) ঙসি থানিল ওইনা ঙালহৌরি। ওজাগী খোল্লাউ পুক্নিং থৌগৎ ৱাহৈ "খল্লু মীথোই মীহেনবা অমা ওইননবা" (Think to be a champion), "সু মীথোই মীহেনবা অমা ওইননবা" (Work to be a champion), "চৎলু মীথোই মীহেনবা অমা ওইননবা" (Go to be a champion)। ৱাহৈ অসি তারুবদা ঐহাক ইশামক অঙাং ওইরিঙৈ মহৈ তম্লিঙৈ পুন্সি ওজাগী লুচিং মখাদা নৌহৌননা লাইরিক অমুক তম্নিংলকই। ক্লাস X-Board কী চাংয়েংদা অহানবা ওইনা মহৈরোয়শিং মহৈগী লমদা লমজেল তান্নবা য়াউগদৌরি। মহৈরোয়শিংগী চাংয়েং ওজাগা অমদি ওজাশিং কয়াগা লোয়ননা খৌরাংনা পাউখুম ঙাইহৌরি।

*ইজরিবা ঃ* **খাইদেম প্রদিপ কুমার**
**New Checkon, Imphal East**

*HL-P/588/20*

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, WAIKHONG**

***Ref:- Mut. Case No. 59 of 2018*** ***Dated 16/02/2018***

Kam Suanlal S/o (L) Mangchinkhup of Sugnu Lamhang.

*...... Applicant*

-Vrs-

(Late) T. Mariya Bungkhanching W/o (L) T. Sebestiyan Lenkhanpao of Sugnu Lamhang.

*...... O.P.*

ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE

Waikhong, 16/02/2018

Under Section 86 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি লৈখিদ্রবা শ্রী T. Mariya Bangkhanching W/o (L) T. Sebestiyan Lenkhanpao সাং শুগ্নু লমহাং পাট্টা নং ১৫৯/১৮৫৩ দাগ নং ২১২৪/৩৬৮৫ এরিয়া ০.৮০ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী মনুংদগী ০.১৪ একর চাওবা লম অসি দংকারিগী মীংদা নামা পানবীয়ু হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা কনাগুম্বা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি শুবা নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী চৎনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থজরগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector,**
Waikhong

*HL-P/3218/20*

**ALL MANIPUR SURRENDER WELFARE ASSOCIATION (AMSWA)**

Head Office: Yairipok Top Chingtha Mathak Leikai
Imphal East - 795149, Manipur

ꯈꯪꯍꯟꯕ/খঙহঞ্জবা

All Manipur Surrender Welfare Association (AMSWA) গী প্রসিদেন্ট অমদি সেক্রেটরি শিনবগী ৱাফম অসি য়ুম্ফম য়াওদবনি হায়না এসোসিয়েসনগী মায়কৈদগী শেংদোকচরি। মরক অসিদা কনাগুম্বা মীওই খরনা এসোসিয়েসন অসিগী মশক থিনবা হোৎনরিবা অসি য়ুম্ফম য়াওদবা ৱাফমনি। এসোসিয়েসন অসিগী মেম্বরসু ওইদবা মীওই হায়বদি সনাহনবা কৌবা সম্বামদগী মীওই অসিনা মশানা মশাবু প্রসিদেন্টনি হায়রিবা ৱাফম অসি অরানবা ৱাফমনি। মরি লৈনবা মীওইশিংনা থাজবিগনু হায়না এসোসিয়েসন অসিগী মায়কৈদগী শেংদোকচরি। করিগুম্বা এসোসিয়েসনগী মীং শীজিন্নরগা থবক তৌরকপা তারবদি এসোসিয়েসন্না এক্সন লৌখৎলগনি। এসোসিয়েসন অসিগী ৱাৎহৌরিবা মেম্বরশিংগী ফংফম থোকপশিং অদুসু পীথোকপীনবা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংদা হায়জরি। মমাংদা এসোসিয়েসন অসিগা য়ানখিবা ৱাফমশিং অদু অথুবা মতমদা থবক ওইনা পাঙথোকপীয়ু হায়না হায়জরি।

*Sd/-* **K. Inaoba Singh** **M. Thambalngou**
*President AMSWA* *Secretary AMSWA*
# 8974958969 # 9612521585

*HL-P/587/20*